# অসাম লৈঙাক্লা অনৌবা গাইদলাইন ফোঙখ্রে

গুৱাহাতি, জুন ১৭ (এজেন্সি):
অসাম গৱর্ণমেন্টনা ষ্টেট অদুদা ফ্লাইট তোংদুনা হল্লকপা মীওইশিংগী মতাংদা অনৌবা গাইদলাইন অমা ফোঙখ্রে।

নৌনা ফোঙলবা গাইদলাইনগী মতুংইন্না ফ্লাইটতা পূন্না তোংমিন্নরকপা মতৈ-মনাও ইন্সটিটুসনেল ক্বারন্টিন সেন্টরদা থম্লরোই। ইমুং-মনুংগী মীওইশিং পূন্না ফ্লাইট তোংমিন্নরকপা তারবদি ক্বারন্টিন সেন্টরদা থম্বগী মহুত্তা নুমিৎ ১৪নি ময়ুম-ময়ুমদগী হেন্দোকহন্দনা হোম ক্বারন্টিন তৌরগনি। অদুম ওইনমক হোম ক্বারন্টিন তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা স্বাব টেষ্ট অমসুং অতৈ মখৌ তাবা চাংয়েং পূন্নমক পাঙথোক্কনি হায়রি।

ষ্টেটকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ) সমির কে সিনহানা থোককখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

চৈরকসিদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ২০১ হেনগৎলক্তুনা অসামগী অপূনবা কেস মশীং ৪,৫১০ য়ৌরে।

হীরম অসিগী মতাংদা হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মানা হায়খি মদুদি পুং ২৪গী মনুংদা সেম্পল কয়ামরুম টেষ্ট তৌবদা সেম্পল ২০১ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে।

নুমিৎ ১১নিগী মনুংদা ষ্টেটকী অপূনবা কেস মশীং শরুক অনী হেনগৎলক্তুনা কোভিদ-১৯গী কেস ২২৬৭ হেনগৎলকখি। মার্চ ৩১দা অহানবা ওইনা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস থেংনখিবনা সিলচর মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস থেংনখ্রবা মতুংদা ১০০শুবা কেসনা মে ১৭তা থেংনখি।

মতৌ অসুম্না নুমিৎ ৪৮গী মনুংদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং ১০০ য়ৌরকখি। অদুবু মে ২৯গী মতুং তারকপদা পোজিটিভ ওইবগী চাংকা হেন্না ৱাংখৎলক্তুনা তেল্লবা মতম খরথক্কী মনুংদা ষ্টেটকী অপূনবা কেস মশীং ৪,৫১০ য়ৌরে।

অমরোমদা হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মানা গৌহাটি মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯ টেষ্টিং সেন্টর অমা হাংদোকখ্রে।

## সেম্পল ৬৩৩ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরে

আইজোল, জুন ১৭ (এজেন্সি): মিজোরামদা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা সেম্পল ৬৩৩ টেষ্ট তৌবদা সেম্পল পুম্নমক নেগেটিভ ওইরল্লে। ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেস ১২০ লৈরিবনি। সিয়াহ, লোংতলাই, কোলাসিব, নাথিয়াল অমসুং আইজোল দিষ্ট্রিক্টতগী খোমগৎপা সেম্পল ৮২১ জোরাম মেদিকেল কোলেজ (জেদ এম সী) গী লেবোরেটরিদা টেষ্ট তৌখি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস অমত্তা থেংনদ্রে। অতোপ্পা ষ্টেটতগী হল্লকপা মীওই ৪ ঙরাং টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। মদুগী মতুং তারকপদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পোজিটিভ ওইবা কেস অমত্তা থেংনবা লৈত্রি।

## লাক্ষ ৩০ রোমগী ময়াই কাবা পোৎলম ফারে

অগরতালা, জুন ১৭ (এজেন্সি): ত্রিপুরাদা ইন্টরনেসনল বোর্দর ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) কী লাম্নীশিংনা লুপা ৩০,৫৮,২১৩গী ময়াই কাবা চিঙাক ফাগৎপা ঙমখ্রে। বি এস এফনা থাদোরকখিবা চেরোল অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী ৮০শুবা বট্টালিয়ন বি এস এফনা ষ্টেট পুলিস পর্সনেলশিংগা খুৎশম্নদুনা থিবা হুন্দ্ৰগী থবক চথবদা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৬৫০, গঞ্জা কিলোগ্রাম ১৯, ফেন্সিদাইল বোট্টল ২৫০ অমসুং অতৈ ময়াই কাবা পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু চাউরাক্লা লুপা ৩০,৫৮,২১৩ রোমগী ওইগনি হায়না বি এস এফকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

# নোং কন্না চুরকপদগী ধেমাজিদা ঈচাও থোক্লে

ধেমাজি, জুন ১৭, (এজেন্সি):
অরুনাচল প্রদেশকী চীংগী শরুকশিংদা নুমিৎ হুমনি চুপ্পা নোং কন্না চুরকপদগী অসামদা তুরেল কয়ামরুম ঈমাই পাথোরকপগা লোয়ননা ধেমাজি দিষ্ট্রিক্টতা ঈচাও থোক্লে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী জিয়াধাল অমসুং লালি তুরেলগী ঈমাই পাথোরক্তুনা জোনাইন রেভিন্যু সর্কল মনুং চনবা মফম কয়ামরুম ঈশিং থুমজিল্লে। জিয়াধাল তুরেলদগী পাথোরকপা ঈশিংনা হাটিগর, নারুৱাটম অমদি চমরাজনদসু মফম কয়াদা ঈশিং থুমজিল্লে। হৌজিক হৌজিক ধেমাজি দিষ্ট্রিক্টকী খুঙ্গং ১৫ রোম ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরি।

দিষ্ট্রিক্ট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সি (দি দি এম এ) না থাদোরকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি ধেমাজি রেভিন্যু সর্কলনা কোনবা খুঙ্গং ১৫গী মীওই ১,৬০০ ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না হেসুলি এল পি স্কুল অমদি চমরাজন গ্রাম পঞ্চায়টকী ওফিসতা রিলিফ কেম্প হাংদোক্তুনা অৱাবা তারবা মীওই ১৫৮ লোম চঙজফম পীরি।

ঈচাওগী অৱাবা নংলবশিংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না চান-থক্কবা অমদি তঙাইফদনা চঙদ্রবা যাদ্রবা পোৎলমশিং য়েঙ্থোকপা হোৎনরি।

অমরোমদা, জোনাই রেভিন্যু সর্কলদা লালি তুরেলদগী পাথোরকপা ঈশিংনা মফম কয়া থুমজিনখিবগা লোয়ননা হেসুলি খুঙ্গংগী ইমুং কয়ামরুম ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লহল্লে। নুমিৎ খরনি নোং কন্না চুখিবদগী ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী ঈমাই ৱাংখৎলক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদা ঈচাও থোরকপা য়াই হায়না মীপাইবা পোক্লরি।

অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি অহানবা তাঙ্ককী ঈচাওদা অপর অসামগী মফম খরদা শা অমসুং য়ুমদা য়োকপা ঙানু-য়েননচিংবা কয়ামরুম শিখি। ঈচাওগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা মীওই ১০ শিৱগী থৌদোকসু লৈখ্রে।

করিগুম্বা নুমিৎ খরনি নোং লেপ্তুনা চুরকপা তারবদি ব্রহ্মপুত্রা তুরেলগী ঈমাই পাথোরক্তুনা মফম অয়াম্বা ঈচাও থোক্লগনি হায়রি।

## ষ্টেটকী পাউ

# ‘এন এ বি পি এসনা ব্রাউন শুগর কিলোগ্রাম ১.৫ ফারগা কেস লৌখৎলমদবা করিগীনো’

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস):
কুমজা ২০১৭গী দিসেম্বর ২৭তা এয়রপোর্টতগী ওটো রিক্সো অমদা ট্রান্সপোর্ট তৌরিঙৈদা নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসননা ব্রাউন শুগর কিলোগ্রাম ১.৭ অমসুং ১.৫ শিজ তৌখ্রগা শুপ্নতগী ব্রাউন শুগর কিলোগ্রাম ১.৭ খক্তগী কেস রেজিষ্টার তৌদুনা লৌখৎলগা চপ-মান্নবা মতমদা শিজ তৌমিন্নখিবা ব্রাউন শুগর কিলোগ্রাম ১.৫গীদি এন এ বি পি এসনা কেস লৌখৎলমদবদা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুর (লম্ফেল)গী প্রেসাইদিং ওফিসারদা য়াম্না চম্মরে হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি কোর্ট অসিদা চথরক্লিবা স্পেসল ত্রাইয়েল কেস নম্বর ২ ওফ ২০১৯গী মতাংদা স্পেসল জজ এ নৌতুনেশ্বরীগী কোর্টনা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদা লেপখিবা স্পেসল পব্লিক প্রোসিক্যুটর (স্পেসল পি পি)দা থৌদোক অসিগী মতাংদা রিপোর্ট পীরক্নবা খঙহনখিবা ওর্দরদা ফোংদোকখিবনি।

ঙসিগী কোর্টকী লামায় ২ পানবা ওর্দর অসিনা হায়, স্পেসল ত্রাইয়েল কেস নম্বর ২ ওফ ২০১৯ অসিগী ফাইনেল আর্গুমেন্টশিং চথনবগীদমক ফেব্রুৱারী ১৯, ২০২০দগী ফিক্স তৌদুনা লাকখিবদগী তোঙান-তোঙানবা নুমিৎশিংদা পাঙথোকখ্রে। লোয়ননা কেস অসিগী ওর্দরগীদমক এপ্রিল ৬, ২০২০দা লেপখি। অদুবু কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী লোকদাউননা মরম ওইদুনা মসিগী ওর্দর লাউথোকপা ঙমহৌদবদগী ঙসিদি কেস অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী প্রিপরেসনগীদমক কেস অসি লৌখৎপনি।

অদুম ওইনমক জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগীদমক প্রিপরেসন তৌরকপদা রেকোর্দনা হায়বগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৭গী দিসেম্বর ২৭তা ব্রাউন শুগর কিলোগ্রাম ১.৭ অমসুং ১.৫পু এয়রপোর্টতগী ওটো রিক্সো অমদা ট্রান্সপোর্ট তৌরিঙৈদা এন এ বি পি এসনা ফাখি। এক্যুইজশিংগী মরক্তগী মাঙখোম কেশোকুমারনা দ্রগশিংদুগী মপুদগী লুপা লাখ ৩ লৌরগা ওটো রিক্সো দ্রাইভর অদু থাদোকখি। অদুগা পুলিসকী সব ইন্সপেক্টর অমিতাভ কৌবা অমনা এক্যুইজ এম কেশোকুমারবু কন্টেক্ট তৌখি অমসুং এক্যুইজ নম্বর ২ এম দি বাশিরউদ্দিননা মহাকপু উনবা পাম্মী হায়খি হায়নসু রেকোর্দতা পল্লি হায়রি।

মসিগী মতুংইন্না দিসেম্বর ৩০, ২০১৭দা এক্যুইজ অনীমক উনখি অদুগা ফাখ্রবা দ্রগশিংদুগী মতাংদা নেগোসিএট তৌখি হায়রি। দিসেম্বর ৩১, ২০১৭দা দ্রগশিং অসিগী মপু এম দি অহমেদউদ্দিনদা ফাখ্রবা দ্রগশিং খুৎশিন্নগনি হায়দুনা নেগোসিএট তৌখিবগী মতুংইন্না এম কেশোকুমার (৩৭), অপোকপা এম নিপামচা, কোংবা মখা ক্ষেত্রি লৈকায় (নান্দৈবম লৈকায়)দগী হৌজিক্লা এন এ বি পি এসতা লৈবা কন্সটেবল (নম্বর ৮০৯০১১৮)না ব্রাউন শুগর কিলোগ্রাম ১.৫বু এম দি বাশিরউদ্দিনদা হন্দোরকখি হায়রি। অদুগা লেমহৌরিবা ব্রাউন শুগর কিলোগ্রাম ১.৭না জন্যুৱারী ৪, ২০১৮দা পেক্কেট অনী থোক্লা য়োমথোক্লগা কে রোমা কৌবী নুপী অমগী ইমুংদা লোৎশিন্দুনা থল্লম্বদগী চথরিবা ত্রাইয়েল কেস অসিগী মরী লৈনরিবা কেস এফ আই আর নম্বর ০২ (১) ২০১৮ এন এ বি পি এস অন্দর সেক্সন-২১(সী) এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ১৯৮৫ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপনি হায়রি।

ঙসিগী ওর্দর অসিনা মখা তানা হায়বদা, এম দি বাশিরউদ্দিননা দিসেম্বর ৩০, ২০১৭ দা হায়দোরকপগী মতুং ইন্না ইম্ফালগী ওল্ড লম্বুলেন্দদা এম কেশোকুমারনা ফারবা দ্রগশিং অদুগী মতাংদা নেগোসিএট তৌখি। মহাক্লা এন এ বি পি এসকী কন্সটেবল অসিদগী ব্রাউন শুগর কিলোগ্রাম ১.৫ লৌরগা মসিগী মপুদা পীখি হায়রি।

অসিগুম্বা কেস অসিগী ফেকচ্যুল পোজিসনশিং অসিদা স্পেসল কোর্ট অসিগী প্রেসাইদিং ওফিসর অনী ‘ভেরি কনফ্যুইজ’ ওইরে হায়বগা লোয়ননা নাবনা ব্রাউন শুগর কিলোগ্রাম ১.৭ অমসুং ১.৫ ফারগা কেস লৌখৎপনা কিলোগ্রাম ১.৭ খক্তগী লৌখৎলম্লে। কেস অসিসু জন্যুৱারী ৪, ২০১৮দা খক্তা রেজিষ্টর তৌবনি হায়রি।

মরমশিং অসিদগী কোর্টনা স্পেসল পিপিদা ব্রাউন শুগর কিলোগ্রাম ১.৭ ফাবগী চপ মান্নবা মতমদা ব্রাউন শুগর কিলোগ্রাম ১.৫সু দিসেম্বর ২৭, ২০১৭দা ফারগা কেস লৌখৎলমদবা করিগীনো অমসুং দ্রগ কিলোগ্রাম ১.৫বু মসিগী মপুদা এম দি বাশিরউদ্দিনগী নেগোসিএট তৌরগা পীথোকখিবা অসি লোনা অয়াবা পীব্রা নত্রগা পিদব্রা হায়বসিগী মতাংদা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্তুনা মসিগী মরমশিং এক্সপ্লেন তৌনবা দিরেক্সন পীখ্রে। রেকোর্দকী মতুংইন্না এম দি বাশিরউদ্দিনদি কেস অসিগী লাইএবিলিটিদগী মতমদুগী পিপিনা তৌখিবা সবমিসনদগী কেস অসিদগী দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

কোর্টনা স্পেসল পিপিদগী রিপোর্ট পীখৎলক্নবগীদমক কেস অসি থাসিগী ২৬তা অমুক হন্না ফিক্স তৌনবা খঙহনখি। ঙসিগী ওর্দর অসিগী কোপিশিং হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্টার জেনরেল, দিরেক্টর প্রোজিক্যুসন অমসুং এস পি/এন এ বিদসু পীখি।

# ফ্লাইট মঙাদা পেসেঞ্জর ৭১৫ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস):
দিল্লি, কোলকাটা অমদি দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরগী পেসেঞ্জর ৭১৫ রোম ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট মঙাদা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ৯.৩৫ রোম তাবদা (ইন্দিগো ৬ ঈ ২৫১) ফ্লাইট অসিনা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা পেসেঞ্জর নুপা ১১৭, নুপী ৫১, অঙাং ৮ য়াওনা পূন্না মীওই ১৭৬ রোম ইম্ফালদা পুশিল্লকখি। ফ্লাইট অসিনা অয়ূক পুং ১০.২৩ রোম তাবদা অমুক হনখিবদা মণিপুরদগী পেসেঞ্জর ৯১ রোম পুরগা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল অমুক থাদোকখি। অয়ূক পুং ১০.৪৫ রোম তাবদা (এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩) ফ্লাইট অসিনা পেসেঞ্জর নুপা ১০৪, নুপী ৫৩ অমদি অঙাং ৯ য়াওনা পূন্না মীওই ১৭৬ রোম পুরগা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফালদা পুরকখি। ফ্লাইট অসিনা অমুক অয়ূক পুং ১১.২৭ রোম তাবদা অমুক হনখিবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর ১০৫ পুরগা দিল্লিগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.২৭ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ঈ ৭০৭ ফ্লাইট অসিনা নুপা ১২০, নুপী ৪০, অঙাং ১৬ য়াওনা পূন্না পেসেঞ্জর ১৭৬ রোম পুরগা কোলকাটাদগী ইম্ফালদা থুংলখি। ফ্লাইট অসিনা অমুক নুংথিলগী পুং ১.২৩ রোম তাবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর ১০৬ রোম পুরগা কোলকাটাগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি। ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫৯ রোম তাবদা (এয়র ইন্দিয়া এ আই ৭৪১) ফ্লাইট অসি দিমাপুরদগী পেসেঞ্জর নুপা ১৮, নুপী ১৬, অঙাং ৩ য়াওনা পূন্না পেসেঞ্জর ৩৭ পুরগা ইম্ফালদা থুংলখি।

নুংথিলগী পুং ১.৩৯ রোম তাবদা ফ্লাইট অসিনা অমুক হনখিবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর ৪৮ রোম পুরগা দিমাপুরগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি। ঙসি নুংথিল পুং ২.১৫ রোম তাবদা (এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯) ফ্লাইট অসিনা দিল্লিদগী ইম্ফাল তম্না লাকপদা পেসেঞ্জর নুপা ৮৫, নুপী ৫৩ অমদি অঙাং ৩ য়াওনা পূন্না পেসেঞ্জর ১৪১পুরকখি। নুপা ৮৫, নুপী ৬২, অঙাং ৩ য়াওনা পূন্না পেসেঞ্জর ১৫০ পুরগা দিল্লিগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি।

ঙসি ফ্লাইট মঙাদা লাকখিবা পূন্না পেসেঞ্জর ৭১৫ অদু এয়রপোর্ট মনুংদা দোক্তরনা নীংথিনা ফিজিকেলগী টেম্পরেচর চ্যেক তৌরবা মতুংদা মপান্দা থোকহনখি। মপান্দা অমুক পুলিসনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লগা আর্মি অমদি অসাম রাইফলসকী মীওইশিং য়াওরকপশিং অদুগী মখোয়গী মীনা আর্মিগী ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈনবা পুখি। অতৈনা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসনা পুরগা ঘড়ীদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমিদা থমখি। মতুংদা মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওথোরিটিনা অমুক মখোয়গী ক্বারন্টিন সেন্টরদা থম্নবা পুখি।

অমরোমদা, হৌখিবা মেগী ২৫দগী ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী ৱাংমা তোঙান-তোঙানবা লমদগী ইম্ফালদা ফ্লাইটতা পুশিল্লকখিবা পূন্না পেসেঞ্জর ১১,১৯৬ রোম শুখ্রে।

# লোকদাউন মনুংদা মোরেদা পোৎ-চৈগী মমল য়াম্না ৱাংলে

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস):
লমদম অসিদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থিংনবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুনচিংবা লৈঙাক্লা থমখিবা অসিনা মীয়াম্না চখোক-চৎশিন্দা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপা অমদি ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মারগা লোন্নবা ঙমখৈগী শম্বল খাবা থা অনী মখায়রোম হেল্লক্লবা মতুং অসিদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোরে টাউনদদি হৌজিক মীয়াম্না নোংমগী মথৌ তাবা চানবা পোৎলমশিং মমল ৱাংখৎলকপদগী খুঞ্জাশিংদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরে।

মোরে টাউনদা ঙা কেজিদা লুপা ৩০০ য়ৌরে, শা-ঙা, য়েননচিংবসু মমল য়াম্না হান্নদগী হাইগৎখ্রে। মসিদা নৎতনা নোংমগী মথৌ তাবা চানবা চেঙ-হৱাই, থাউ-থুম অমদি মনা-মশিংনচিংবসু মমল ৱাংলে। মসিনা নোংমগী শুরগা চাজবা মীচম মীয়ামদা খম থেংনা অৱাবা অমা ওইরে হায়রি।

অমরোমদা, নেসনল হায়ৱে নম্বর ১০২ ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী ৱাংজিংদগী খোংখাং ফাওবা অহানবা তাঙ্ককী লম্বী পাকথোকপগী থবক অসিসু হৌজিক নোংজু পন্থাগী মতম ওইবনা থবক লেপ্তুনা লৈরি।

কোংখাংদগীনা মোরে ফাওবগী লম্বী অসিদি করিমত্তা চীং কক্পা হৌদনা লৈরি। পল্লেলদগী কোংখাং ফাওবগী চীং লম্বী অসিদা নৌনা চীং কক্খিবদগী নোং অমুক তারক্তুনা চীংদগী অমুক চেন্থরকপা লৈখোম-লৈনাংনা মরম ওইদুনা লম্বী অসি গাড়ী চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়াদবদগী দ্রাইভরশিং খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। লম্বী অসিদা থবক অথু-অকায়গী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা লম্বী নান্‌বা, ফত্তবনা মীয়ামদা খূদোংচাদবা থেংনরি।

লম্বী অসিদা কনাগুম্বা মীওই খরনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগনচিংবা অমদি খূৎলায় লল্লোনবনচিংবা কাঙবুনা মরক-মরক্তা পোৎ-চৈ পুদুনা চৎপদগী পুলিস অমদি অসাম রাইফল্সকী কাঙবুনসু লেপ্পা লৈতনা ফাগৎপগী থবক চথরি। অদুবু শিবা কিদবা মীওই কাঙবু খরদি লেপ্তুনা লম্বী অসিদা চৎতুনা অরোনবা লল্লোন-ইতিক তৌরি। লম্বী অসি পুলিস কম্মান্দো অমদি অসাম রাইফলসনচিংবনসু দ্রগ লল্লোন-ইতিক তৌবা, নোংমৈ লল্লোনবা কাঙবুনচিংবা ফাগৎপগী থবকসু লেপ্তুনা অদুম চথরি। মোরে টাউন অসি তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপ শুনা লৈবা মরম্না থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনবা পুলিস অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীৎ-নাশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লি। অদুবু লম্বী অসিদা চৎলিবা মীওইশিংদা পুলিস অমদি অসাম রাইফলসনা পেসেঞ্জরশিং অমদি মীয়ামদা কা হেন্না দিটেন তৌবদি চুমদে হায়রি।

## তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস) :
থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদগী ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০২০ দা পোজিসন লৌরকখ্রবা মহৈরোয়শিংবু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা তরাম্না ওকখ্রে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এস পি, ডা. এস ইবোমচানা লুচিংদুনা তরাম্না ওকখ্রবা মহৈরোয়শিং অদুদি, ৬শুবা পোজিসন লাকখিবা থৌবাল লৈশাংথেম অৱাং লৈকায়দগী সদানন্দ, ১৫শুবা পোজিসন লাকখিবা লিলোং হাওরৈবী ময়াই লৈকায়দগী এফ এম অঞ্জনা, ২১শুবা পোজিসন লাকখিবা লিলোং হৈনৌমখোঙদগী শাকির রহমন, ২২শুবা পোজিসন লাকখিবা লিলোং হাওরৈবী অৱাং লৈকায়দগী অর্সলান খান অমদি ২৪শুবা পোজিসন লাকখিবা সর্জুনি হায়রি।

# বৃন্দা, ফেসবুক পোষ্ট শৌগৎলুবা ২০ কোর্টতা অমুক হন্না লাক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস):
স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস)গী প্রেসাইদিং ওফিসর অরিবম নৌতুনেশ্বরিনা ফাইল তৌরকপা রিপ্রিজেন্টেসনদগী হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা শু-মোতুদা লৌখৎখিবা ক্রিমিনেল কন্টেম্প্ট কেস নম্বর-১ ওফ ২০২০গী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ ওইরিবী পুলিসকী এদিস্নল এস পি থৌনাওজম বৃন্দা অমসুং মাগী ফেসবুক পোষ্টপু সপোর্ট তৌরুবদগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৩দগী ২২ ফাউবদা কোনশিনখ্রবা মীওই ২০ কোর্ট অসিদা মথং থাগী ১৩দা অমুক হন্না মশা-মশা লাক্লবা খঙহনখ্রে।

জষ্টিস লানুশুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন অনীগী দিভিজন বেঞ্চনা থাসিগী ১০দা পীখিবা দিরেক্সন মতুংইন্না ক্রিমিনেল কন্টেম্প্ট কেস অসি ঙসি দিভিজন বেঞ্চ অসিদা লিষ্ট তৌখি। অদুবু কোর্টকী দিরেক্সন মতুং ইন্না টি ঐচ বৃন্দাগী ফেসবুক পোষ্টকী সপোর্টর ২০গী মনুংদা ১৭ কোর্টতা মশা-মশা লাকখি। অদুম ওইনমক ৱাৎহৌরিবা মীওই ৩গী মনুংদা অমনা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈরি হায়বগা লোয়ননা অতোপ্পা ২না মথংশিংনা দিল্লি অমসুং পুনেদা লৈবনি হায়বদগী লাকখিদে। নৌনা রেস্পোন্দন্ট ওইনা কোনশিনখ্রবা মীওই ২০গী মনুংদগী ১৭ লাকখিবদগী কোর্টনা কেস অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিংশিং লৌখৎখি। লোয়ননা থৌনাওজম বৃন্দা অমসুং মীওই ২০ অসি কোর্টনা মথং থাগী ১৩দা মশা-মশা লাক্লবা দিরেক্সন পীখি।

# মণিপুর লোনবু বেঙ্গলি স্ক্রিপ্টতা ইবা মৈতৈলোন হায়বগী মায়োক্তা এম ঐচ আর সীদা ৱাকৎলক্লে

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস): মৈতৈ ময়েক অলফাবেট মপুং ফানা শীজিন্নহন্নবগীদমক শেমখিবা মণিপুর ওফিসল লেংগ্যুএজ এক্ট, ১৯৭৯গী সেক্সন ২ (ওফ)তা ‘মণিপুর লেংগ্যুএজ’ কি ৱাহন্থোকপু ‘মৈতৈলোন রিটন ইন বেঙ্গলি স্ক্রিপ্ট’ হায়না পিবসি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী আর্টিকল ২১, ১৯ (১) (এ), ২৫, ২৬ অমসুং ২৯ না পীবা রাইট টু লাইভ ৱিথ লিবর্টি ওফ থোট, এক্সপ্রেসন, বিলিফ, ফেথ এন্দ ৱার্শিপপু মপুং ফানা ভাইয়লেট তৌবনি হায়রদুনা এক্ট অসিগী সেক্সন অসিবু রিপিল/এমেন্দমেন্ট তৌবিনবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)দা কমপ্লেন্ট পীটিসন ১ ফাইল তৌরক্লে।

মৈতৈ ময়েকপু রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী শেলয়েক্তা য়াওহনগদবনি হায়নসু ৱাকৎলকখিবা কমপ্লেন্ট অসিগী পিটিস্নরশিংনা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংঙৈদগী মৈতৈ লৈমরোল আর্ট পর্ফোমিং সেন্টরগী প্রসিদেন্ট আর কে নেতাসনা লৈমা (৫০), অপোকপা আর কে মোধুচন্দ্র, ৱাংখৈ তোকপম লৈকায় অমসুং শিখোং কৈথেলদগী এস প্রমো (৫৫), মপুরোইবা এস কুল্লচন্দ্র (সেক্রেটরী)নি। পিটিসন অসিগী মতুংইন্না ঙসি কম্মিসনগী এক্তিং চ্যেরপার্সন খাইদেম মনিগী কোরমনা কমপ্লেন্ট কেস নম্বর ৭৭ ওফ ২০২০ লৌখৎপগা লোয়ননা চথখিবা প্রোসিদিংদা রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা ষ্টেটকী চীফ সেক্রেটরীদা মসিগী এক্সন টেকন রিপোর্ট অমা মথং থাগী ১ ফাউবগী মনুংদা পীরক্নবা খঙহনখ্রে।

# নাওপুরিবী ১ পুলিসনা ফাজিনখিবগী মায়োক্তা ৱাকৎখ্রে


ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস): থা ৬কী অঙাং নাওপুরবী নুপী ১ বিষ্ণুপুর পুলিসনা মরম চাদনা ফাজিল্লগা দিটেন তৌদুনা থল্লে হায়বগী মায়োক্তা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)দা ৱাকৎলকপদগী কম্মিসননা কমপ্লেন্ট কেস অমা লৌখৎলগা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসতগী রিপোর্ট কৌখ্রে।

কম্মিসনদা কমপ্লেন্ট পিটিসন ফাইল তৌরক্লিবা পিটিস্নর অদুগী মমিং নোংমাইথেম ইন্দ্রদুমোন কৌই। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নাচৌ খা লৈকাই ৱার্দ নম্বর-৫দগীনি। মহাক্লা কম্মিসনদা ৱাকৎলকখিবদা মহাক্কী লোয়নবী ফ্লোরা অসি থা ৬কী অঙাং নাওপুরবীনি। অদুবু য়ুমথংননা লৈমিন্নবদা নৎতনা মরী-মতা অমসু ওইরিবা এন মনি কৌবা মীওই অমা পুথোরকপা ঙমদ্রবদি থাদোক্লোই হায়দুনা পুলিসনা মহাক্কী লোয়নবী অসিবু এরেষ্ট মেমোসু পীরমদনা মরম চাদনা ফাজিল্লগা থম্বীখ্রে হায়রি। ৱাকৎসিগী মতুংইন্না কম্মিসননা কমপ্লেন্ট কেস নম্বর- ৭৮ ওফ ২০২০ লৌখৎখ্রে লোয়ননা এক্টিং চ্যেরপসর্ন খাইদেম মনিগী কোরমনা ঙসি চথখিবা প্রোসিদিংগী মতুংইন্না দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুরনা এস পি/বিষ্ণুপুরদা মহাক্কী লোয়নবী অসি খূদক্তা থাদোক্লবা পাউতাক পীননবা খঙহনখ্রে। লোয়ননা কেস অসিগা মরী লৈননা মথং থাগী ৭ ফাওবগী মনুংদা দি জি পিদা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্লবা খঙহনখ্রে। অদুগা মখা তাবা প্রোসিদিংগীদমক নুমীৎসদা লেপ্পবা দিরেক্সনসু পীখ্রে।

# ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুঞ্চ সেক্টরদা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) পরিংদা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈ থৱায় থাখ্রবা সিপোই এল অবোনমৈগী মফমদা ইন্দিয়ন আর্মিনা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা কাইনা য়াথং পীখ্রে। জুন ১৫দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লৈমখোঙদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা আর্মিগী লোকেল কম্মান্দরশিংনা লৈখিদ্রবা অবোনমৈগী মফমদা অরোইবা ওইনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। লৈখিদ্রবগী লোইনবী ইলিজাবেটতা মচু অহুমগী ফিরাল খুৎশিন্নখি হায়না পি আই বি (দিফেন্স ৱিং)না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## CROSSWORD-3477



**ACROSS**
1 Picture painted on damp plaster (6)
4 Shame or social disgrace (6)
8 Colloquial saying (5)
9 Person of no fixed abode (7)
10 Haven (7)
11 Spells of bowling (5)
12 Carnivore (4-5)
17 Abate (3,2)
19 Let in again (7)
21 Visualise (7)
22 Tropical fruit often made into jelly (5)
23 Cloth used with polish (6)
24 Vanquished (6)

**DOWN**
1 Journey by air (6)
2 Witty saying (7)
3 Carved brooch (5)
5 Towing vessel (7)
6 Forest clearing (5)
7 Monet, for example (6)
9 Bones of the spinal column (9)
13 Inform (7)
14 Surviving fragment (7)
15 In league (6)
16 Exert to the utmost (6)
18 Russian emperors (5)
20 Corner (5)

**Solution 3476**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3276

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | | | 1 | | | 5 | | |
| | | | | | 7 | 9 | | 4 |
| | 4 | | | 2 | | | | 7 |
| | | 1 | | | 2 | | 5 | |
| 2 | 5 | | | | | | 4 | 8 |
| | 8 | | 6 | | | 1 | | |
| 9 | | | | 4 | | | 7 | |
| 6 | | 2 | 9 | | | | | |
| | | 4 | | | 3 | | | 1 |

**Solution-3275**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 3 | 5 | 6 | 2 | 4 | 7 | 1 | 8 |
| 4 | 7 | 1 | 5 | 8 | 9 | 6 | 3 | 2 |
| 2 | 8 | 6 | 1 | 7 | 3 | 5 | 4 | 9 |
| 5 | 1 | 7 | 9 | 4 | 2 | 8 | 6 | 3 |
| 8 | 9 | 2 | 3 | 1 | 6 | 4 | 7 | 5 |
| 6 | 4 | 3 | 7 | 5 | 8 | 2 | 9 | 1 |
| 1 | 2 | 8 | 4 | 3 | 7 | 9 | 5 | 6 |
| 3 | 6 | 4 | 2 | 9 | 5 | 1 | 8 | 7 |
| 7 | 5 | 9 | 8 | 6 | 1 | 3 | 2 | 4 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



অসিজোলনেং

ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম

